ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯃꯥꯔꯆ ꯳꯱, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, মার্চ ৩১, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ০০৮শুবা মশীং

# মহুৎ শিনবা
## ওজানসু তৌই, মহৈরোয়শিংনসু তৌই

'মহুৎ শিনবা' হায়বা ৱাহৈ অনীসি লৈরকপা কুইরে। মথায় থায়না মমাঙদগী খুন্নাইসিগা শাগোন্নরক্লবনি হায়বা য়াই। ৱাহৈ অনীসিগী থৌদোকসি চীংলোন ৯না কোয়শিনবা পীকখ্রবা মণিপুর খক্তা নত্তনা লৈবাকসিগী অমসুং মপান লৈবাক্কী মীওইবা খুন্নাইদসু শাগোন্নদুনা লাক্লিবনি। মীওইবা হায়বা থৱায় পানবা কাঙলূপসিগী মচৎশিংগী মনুংদা অমনি। হীরম-থৌরম খুদিংমক্তা 'মহুৎ শিনবা' হায়বসিগী চন্নফম অকক্লবা খরখক্তা নত্তনা লৈতবা লৈরক্তে হায়বা য়ারে। চৎনরিবা দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোন অসিগী লাইশঙনি লৌনরিবা লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অমসুং পার্লিয়ামেন্টকী হাওসশিংদা মসিগী মেম্বরশিং ওইরিবা এম এল এ অমসুং এম পিশিংগী মহুৎ কনাগুম্বা মীওই অমনা শিন্দুনা চঙশিল্লগা মহুৎ শিল্লুবা য়াদবগী ৱানি। হাওসশিংগী মেম্বরশিংনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীগদবা মিনিষ্টরগীদি মহাক্কী মহুৎ শিনবা অমনা পাউখুম্বদা অয়াবা পীরিবা লৈঙাক্লোননি। মহুৎ শিনবগী কান্নবা ময়াম লৈ, কান্নদবসু কোকথোং অমা লৈ। মহুৎ শিনবা য়াদবসু ময়াম লৈ। মহুৎ শিনবা য়ারে হায়দুনা শিনবদা নাতে চাদ্রবদি ফজনা লৌনদে অমসুং হায়নদে। খুদম ওইনা উগী মহুৎ কেগেনা শিনবদা অফবনি হায়দে। অপৎপগী মহুৎ অপুম্বনা শিনবা ওইনা থোক্লে হায়না শীংথানবা থৌদৌ কয়াসু খুন্নাইসিদা মায়োক্লরিবনি। অদুবু অফবসু নত্তবা, অচুম্বসু ওইদবা অদুগা তৌফমসু থোক্তবদা হন্দক চহী ২০২৩গী ওইনা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম) অমসুং বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম) না লৌদুনা পাঙথোকপা ক্লাস এলেভেন, ত্বেলভ অমসুং টেনগী এগজামিনেসনশিংদা শরুক য়াগদবা/য়াফম থোকপা মহৈরোয়শিংগী মহুৎ শিল্লগা অতোপ্পা মীওইশিংনা শরুক য়ারম্বগী থৌদোকশিং অমা-অনীদংসু নত্তনা মনম-মনম থোকখ্রিবা করিগীনো? অসিগুম্বা থৌদোকসি মমাঙ-মমাঙদসু থোকখ্রে। হন্দকসু থোকই, মতুংদসু থোরক্লোই হায়বগী পূক্নিং লূম্বা লৈত্রি।

অদুবু থৌওংসিদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না এদ্যুকেসনগী ৱাহন্থোক হেন্না পাকথোক-চাওথোকহন্নবগী পান্দমদা কুমজা ২০২০দা ন্যু এদ্যুকেসন পোলিসি অমা ফাওবা শেমদুনা পুথোরকপগী মথক্তা লৈঙাক, মীয়াম অমসুং মীয়ামগী লূপশিংনা 'ক্বালিটি এদ্যুকেসন' হায়দুনা লিশাং শিৎনা লাওদুনা লাকপশিংবু ফৈজৈ চিংথোকপা অমদি উৎতা ঘী হৈজিনবগী থৌওংনি হায়না লৌদবা য়ারক্লোই। মরম অসিনা এগজামিনেসনদা মহুৎ শিনবা (ইম্পর্সনেসন) গী থৌদোকসি করিদগী থোরকপনো হায়বসি থিদোকপা, মসিদা চেন্নবা পূম্নমক্কী মথক্তা মরালগী মতুংইন্না চৈরাক পীনবগী থবক লৌখৎপা চুল্লগনি। মহুৎ শিল্লম্বশিং থেংনবদা কোসেম অমসুং বোসেমনা উশিন্নদনা লৈথোকই, ফাদে হায়বা নত্তে, ফারি। চত্থরিবা এগজামিনেসন অদুদগীসু তান্থোকই অদুগা মথংগী থংনবা এগজামিনেসন অনীদসু শরুক য়াবা য়ারোই হায়দুনসু খঙহল্লি। অদুবু মহুৎ শিল্লল্লিবা মীওই অমসুং অরানবা থবকসিদা চেন্নবা মীওইশিংবুদি লামশিন্দুনা কোনশিন্দবনা কাও থাবদৌনা থাদোকই হায়বদা হেঞ্জিনবা ওইরোই। মরম অসিনা অসিগুম্বা মহুৎ শিল্লম্বগী থৌদোক থোরকপদা চেন্নবা পূম্নমক্কী মথক্তা চৈরাক পীনবা কোসেম অমসুং বোসেমনা পেনাল প্রোভিজনশিং শেমগদবনি। অদুগা মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী তুংগী লাইবক লেপকদবা তাঙ্কক-তাঙ্কক্কী ওইনা পাঙথোকপা অসিগুম্বা এগজামিনেসনশিংদা মখোয়গী মহুৎ শিলহল্লল্লিবসি মখোয়বু লাইরিক তাকপী-তম্বীরিবা ওজাশিংগী মরক্তগীসু মহুৎ হেক হেক শিল্লগা তাকপীখিবা য়াওবদগী ওইগদৌরিব্রা হায়বসিসু থিদোক্কদবনি। মরমদি মহৈরোয় হায়বসিদি য়ূমদনা মপা-মমা অমসুং গর্দিয়নশিংগী মতৌ তম্বনি। অদুগা মহৈ লোয়শঙশিংদনা ওজাশিংগী মতৌ তল্লিবনি। ওজানা অরানবা তৌরবদি মখোয়গী মহৈরোয়শিংনসু মতৌ তল্লকপা মশানা তাবনি। ফীভমসি অদুম্মকসু মায়োক্লদুনা লৈরবদি মণিপুরগী এদ্যুকেসন করম থোক্লগদগে?

# ꯃꯍꯨꯠ ꯁꯤꯅꯕꯥ
## ꯑꯣꯖꯥꯅꯁꯨ ꯇꯧꯏ, ꯃꯍꯩꯔꯣꯏꯁꯤꯡꯅꯁꯨ ꯇꯧꯏ

[illegible]

# শজিবু থা মানা করিগী অসুক থোইদোক-হেন্দোক্লিবা?

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

**"কুমসি-কুমগী মণিপুরগী শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবগী থৌরম পাঙথোকপা হৌনখ্রে। তাঙ্কক অনীরক থোক্লা পাঙথোক্লরবসু মণিপুর পূম্বগী ওইনা শজিবু চৈরাওবা থৌরমগী পান্দমদি অমত্তনি। মৈতৈশিংনা অনৌবা চহীনা লাকপা খুদিংগী তাইবঙ ইয়ুম ইরানয়াইদা হরাও-তয়াম্বশিং ফোঙদোক্তুনা ইয়ুম লাইনিংথৌ-লৈমরেনবু খুরুমজে অমসুং য়াইফ-থৌনি থৌরমশিং পাঙথোকই। কুম অমগী শজিবু লাকয়েন তাইবা, শজিবু চৈরাওবগী থৌরমসি তঙাইফদনা পাঙথোক্তবা য়াদবা অমনি। থৌরমসি মৈতৈ ফুরুপনা পাঙথোক্লবা অনৌবা চহী হৌবগী নুংঙাইরবা কুম্মৈশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না চাউবা অমসুং খ্বাইদগী হান্না পাঙথোকপা থৌরম অমসুনি।"**

শজিবু থা হায়রগা মৈতৈশিংগী পূক্নিংদা অনৌবা চহীনা হৌরকপগী উপাল-ৱাপাল খিবিক্লা নৌনা য়েন্নিং হুল্লকপা, হৈপাল-লৈপাল পূম্বনা মকা ফন্না শাৎলকপা, পূক্নিং হুনা ফজবা মতমদু খক্তবু নীংশিংনৈ। শজিবু থাগী চৈরাওবা নুমিত্তা মৈতৈশিংনা থোইদোক-হেন্দোক্লা পূক্নিং-ৱাখল অনীমক মকা লাম্না লৈননবা হোৎনৈ। নুমিৎসিদা মৈতৈশিংনা পূক্নিং অনী লোংদনা থৱায়-হকচাং য়াওনা শজিবু চৈরাওবগী থৌরম পাঙথোক্লে। শজিবু চৈরাওবগী থৌরমসি মীতৈশিংগী চহী হৌবগী অহানবা থৌরমনি। অনৌবা চহীনা হৌবদা ফুরুপসিনা, চহী অমা হৌরে অমসুং হান্নগী চহী কুমশিংগী মথক্তা নুমিৎসিদগী হৌনা অনৌবা চহী মশীং অমা হাপচিল্লে হায়দুনা লৈবাকসি শীন-থুংনা পাউজেল পীনৈ। মমাঙঙৈদদি নুমিৎসিদা মহৌশানা সনা কোনুংগী অঙম্বা পাউজে ল্লোয়শিংনা শগোল তোংদুনা, চৈ হাইদুনা খা-ৱাং অনীমক্তা মণিপুর শিন-থুংনা পাউজেলসি পীবা চহী খুদিংগী হেক হেক চৎলম্মী। থৌরমসি মৈতৈশিংনা শুপ্নগী অনৌবা চহীনা লাকপা খক্কী ওইনা পাঙথোক্লবা থৌরম অমসুনি হায়বা য়াই।

মৈতৈ ফুরুপনা শজিবু থাদা চহী হৌরম্বসি নুংগী ওইবা মিৎয়েংদা অসুক্কী মতিক ৱাহন্থোক লৈনা অমসুং চুম্না পাঙথোকপা থৌরম অমা ওইরম্মী। ফাওরবা ইংলিস খুন্নাইনা গ্রেগোরিয়ান কেলেন্দরগী মতুংইন্না জন্যুৱারী থাদা চহী হৌবা চৎনরম্মী। থৌদৌসি মালেমগী অতৈ মফমশিংদদি খঙদে, মণিপুরদদি অসুক্কী মতিক চান্নদবা মতম অমদা থোকই। অদুগা, মৈতৈশিংনা শজিবু থাদা চহী হৌবগী চৎনবী লৈরম্বসিনা অসুক্কী মতিক চাননা অমসুং পকচনা থোকহল্লি। মহৌশানা জন্যুৱারী থাদি মৈতৈশিংগী থাচৎতা ৱাকচীংনি। ৱাকচীং থাদা উপাল-ৱাপাল, নাপী-শিংবী পূম্নমক্লা মনা লোইনা কংই। নাকেন্থাগী অশেংবা শক্তমদুমক্লি উরিবা। মতমসিদা অনৌবা চহী অমা হৌবগী মতম ওইহনবসি পকচদে। অদুগা শজিবু থাদদি, উপাল-ৱাপাল খুদিংমক নৌনা য়েন্নিং লোইনা হুল্লি, অনৌবা ময়োলশিংসু চোংলকই। মিৎয়েং অসোমদা য়েংলুবদা, ৱাকচীং থাদগী শজিবু থানা য়াম্না হেন্না চহী হৌবগী থৌদৌশিংগা চানবা হেল্লি। মরমসিমক্লা চহী হৌবগী থৌরম পাঙথোকপসি মতমসিদনা হেন্না চুনৈ। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংগী ওইবা হীসাব পাবগী চহী এপ্রিল (শজিবু) থাদগী ওইনা চহী খুদিংগী হৌরিবসিসু চানবা অমনি খল্লি। অনৌবা চহী হায়বসি নৌনা য়েন্নিং হুল্লকপা, অশং-অমানশিংতনা কুপশিনবা উপাল-ৱাপালশিং, হৈপান-লৈপানশিংগী শক্তমগা মরী য়াম্না নকশিন্ননা চৎহনবনা পকচবা শোয়দনা হেনগনি। অনৌবা চহী হায়রিবসি নৌনা লাকপা চহীদুবুনি, নৌনা ওইরকপা অনৌবা শক্তমশিংতগা হেন্না চুশিন্নফম থোকই। অনৌবা চহীনা কৈদৌঙৈদা খক অরিবা উপাল-ৱাপালশিং অমদি নাকেন্থাগা শাগোন্ননা চৎমিন্নবদা পকচরোই। থৌদৌশিংসিনা তাক্লি, মৈতৈশিংনা শজিবু (এপ্রিল) থাদা চহী হৌবগী চৎনবী লৈরল্লিবা অমসুং চহী হৌবগী থৌরম পাঙথোক্লরল্লিবসি অসুক্কী মতিক চুম্না পাঙথোকপা থৌদৌ অমনি। থাসিদা নৌনা চহী হৌবনা, মৈতৈ পূম্নমক্কী পূক্নিংদা শজিবু থা মাবু হেক নীংশিংলুবদা মৈতৈশিংগী অনৌবা চহী লাকপগী শৈহৌ থৌরম ওইরিবা 'শজিবু-চৈরাওবগী থৌরম' মাবুসু তত্তনা নীংশিংহল্লি। অদুগা শজিবু-চৈরাওবগী কুম্মৈশিং হেক নীংশিংলুবদনা, মণিপুরগী মফম কয়ামুক্তা লৈবা মখল-মখা কয়ামুক্কী চৈরাও-চীংশিং কানখিবশিংদু মথং-মথং নীংশিংহল্লি। মৈতৈশিংনা শজিবু চৈরাওবা থৌরম পাঙথোকপদা অনৌবা চহীদুগী ওইনা মতমদুদা শাৎপা লৈরাংশিং কোম্বীরৈ, কুশুমলৈ (কুমশু-লৈ), লৈরী, খোঙ্গুল-মেল্লে অমদি হৈরাংশিংগী মরক্তসু হৈরী, মালহৈ, নোঙ্গাংহৈ, হৈ মনম নাইবা অমদি অতৈ হৈ মখলশিংগা লোয়ননা মতমদুদা ফংবা শল্লৌ-এনশাং মথেলশিং, কোবী, য়োংচাক, আলু, হৱাইমুবী, য়াইপল, উয়েন্নচিংবশিং ইয়ুম লাইনিংথৌ-লৈমরেলদা কৎতুনা কুমগী শজিবু চৈরাওবগী থৌরম পাঙথোক্লে। ইয়ুম লাইথৌ-লৈমরেন্দা কৎপা শল্লৌ এনশাং মথেলশিংদু য়ূমগী থোঙ্গান্দা হাওরৈ খানা-পাংবদা শরোই-ঙারোইশিংগীমক শরুক তমদুনা থাদোকই। কুমগী শজিবু লাকয়েন তাইবগী থৌরমগা মরী লৈননা শরোই-ঙারোইশিংনা চহীদুগী মনুংদা শিগদবা-নাগদবা চৈশিং থেক্তুনা পাবদা ইমুংদুগী মীওইশিংবুদি চৈশিং থেকপা-পাবদা য়াওবীগনু হায়দুনা শরোই-ঙারোইশিংদুদা হায়জৈ। য়ূমগী নিংথৌ ওইরিবা লাইনিংথৌদা কৎলবা শল্লৌ মথেলশিংদুনা থোংবা এনশাংশিংদু মখোয় (শরোই-ঙারোইশিং) দুগী শরুক তল্লবনি হায়দুনা তল্লিবনি। নুমিৎতুগী এনশাং মথেলশিংদু ফুরুপসিনা য়ূমথংননা লৈবা কৈরোই লৈকায়গী মীওইশিংদা মহাউ য়েংননবা অমনা অমগা লান্নবগী থৌরমসু পাঙথোকই। চাক চাবা হেক লোইবগা নহানমখৈগা মান্নদনা এনশাং মথেলশিং মশীং য়াম্না চাশিন-থকচিনখিবশিংদু তুমহন্নবগীদমক অনকপা, খোঙহাই চাবা মফমশিংদা লৈবা চৈরাও চীং অমদা চীং কাদুনা চৈরাও চীংগী লাই খুরুম্বা চৎনৈ। মসি কুম্মৈ অমা ওইনা চাখি-থকখিবা ময়ামশিংদু তুমহন্নবা হোৎনবগী থৌদৌ অমসুনি, হকচাং ফহন্নবা হোৎনবনি। মতাংসিদনি, মৈতৈশিংগী চৈরাও চীং কাবগী অৱা-নুংঙাইগী তাঙ্কক কয়ামরুম্বু কাউঙমদনা পুন্সিগী ওইনা পুন্সি ৱারীশিংগা তোৎশিন্নদুনা লৈনহৌরিবসি। থৌদৌশিংসিনা মালেমগী মনুংদা মৈতৈশিংনা হিংলিমখৈদি শজিবু থাবু খক কাউবা লৈররোই হায়বসি থাজবা পোকহল্লি অমসুং শজিবু থাগী মিং হেক পল্লকপদা মৈতৈশিংদা থাসিগী ওইবা তোপ তোপ্পা মতিং অমবুসু হেক হেক নীংশিংহল্লি।

শজিবু চৈরাওবা থৌরমগা মরী লৈননা লমদমসিগী শাবী-শানৌ কয়াগী মরক্তা চৈরাও চীং কামিন্নখিবগী নুংশি ৱারী শীংবুলশিংবু পুন্সিসিগী ওইনা কাউবা ঙমদনা লৈনবা শাবী-শানৌশিংগী মশীংসু লমদমসিদা মশীং লিক্লমগনি থাজদে। চৈরাও চীংথক্কী ফজবা, নিংথিরবা উপাল-ৱাপাল কয়ানা নৌনা য়েন্নিং হুল্লকপগী পূক্নিং হুরবা শক্তমশিংগী মরক্তা নুংশি-নুংওলগী ঈথক-ঈপোমশিংগা লোয়ননা শাবী-শানৌশিংনা কুমগী চৈরাও চীংশিং কামিন্নখিবনি। চৈরাও চীং কাবা থৌরমগী মখা চত্থরকপশিং ওইনা মণিপুরগী অখন্নবা চীংগী লাইফমলেনশিং খরবুসু মৈতৈশিংনা চৈরাওবা মতুংগী নোংমাইজিংশিংদা কাদুনা খুরুম্নবগী থৌদৌশিং পাঙথোকই। খুদম ওইনা, অৱাং কৌব্রু অশুপ্পগী কৌব্রু চীংদোলদা লৈবা কৌব্রুগী খুভমলেন, কোংবা মরূ চীংথক্তা লৈবা কোংবা-মরূগী খুভমলেন, থাংচীং চীংদা লৈবা ইবুধৌ থাংচীংগী খুভমলেন, ইঙৌরোক চীংগী খুভমলেন হায়রিবা খুভমলেনশিংসি মৈতৈশিংনা চৈরাওবা মতুংগী নোংমাইজিংশিংদা চীং কারগা খুরুম্নবা লাইফমলেনশিং ঙাক্তনি। পূম্নমকসি য়েন্নিংথাগী অনৌবা শক্লোনশিংদা শৈদাংদুনা পাঙথোকপা মীতৈশিংগী চৈরাওবা থৌরমগী মচুনা চুশিল্লবা কুম্মৈশিংগী মরক্তা পনবা য়াবা ঙাক্তনি। থৌরমশিংসিনা মচু শঙখ্রবা তাঙ্কক কয়ারক্তা কাউবা ঙমখিদ্রবা, চৈরাও চীং কাবগী থৌদৌশিংতনা পীক থন্না লৈখ্রবা মতমদুগী শাবী-শানৌশিংগী পূক্নিং, হৌজিক্তদি মীয়াই চল্লবা অমদি অহল শীংদা চল্লবশিংসিসু মতৌ করম্না কাউবা ঙল্লমগনি? থৌদৌশিংসিমক্লা হৌখ্রবা মতমগী থৌদোকশিংদুগী ৱারী কয়াবু নীংশিংলগা হংনীংবসু ফাওহল্লক্লিবনি, - শজিফু থা মানা মৈতৈশিংগীদমক করিগী অসুক য়াম্না থোইদোক-হেন্দোকপা থা অমা হায়বদু ওইরিবনো?

থম্মোয়নুংদা মূত্তনা মমি তারিবা মতম অমগী শজিবু থাগী চৈরাও চীং কাবদা থেংনরকখিবা নুংশিরবা থৌদৌশিং, জুম-জুম লাউরবা লীপোব মপাল, খোঙ্গুন-মেল্লে, য়াইপল লৈরাংনচিংবশিংনা চীংগী নাপোমশিংদা মূনা-মূনা য়েংদুনা চৈরাও চীং কাবা লাকপা শাবী-শানৌশিংবু য়েংদুনা মশীং থিহৌবা মতৌ করম্না কাউরুগনি? পূক্নিংগী ৱাহন্থোক্তগী শক্তমগী ৱাহন্থোক্লা হেন্না লুশিনবা, পামেল উচান পাম্বীগী মখোঙদা ৱাই-ৱাই তানা চাইরিবা কোয়দানরবা উচান পাম্বীগী মহয়শিং, উরুবদগী ফাওরকপা ৱাখলশিংনা মতমদুগী শাবী-শানৌ ওইরকপা কাঙবুশিংগী থম্মোয়শিং হৌজিক ফাওবদসু খক লৈতাহন্দ্রিবনি। লৈরাংশিংগী মরক্তা ইহান হানবা শীঙেন্না লৈরিনি, লৈরাং পূম্বগী ইকোন-কোনবা লৈরাংনা কোম্বীরৈনি অমসুং চহী খুদিংগী কুম শুরে তাক্লিবী কুমশুমলৈ (কুমশুলৈ) কৌবী লৈরাংনি। লৈরাংশিংসি কুম অমগী শজিবু চৈরাওবা য়াওবা নংহৌনবা শাৎলকপা শীঙেল লৈরাংশিং মক্তনি। লৈরাংশিংসিনা মচল শুনা লৈতেংলিবা মৈতৈশিংগী চহী হৌবগী অহানবা কুম্মৈগী শৈহৌসু ওইরিবা - শজিবু চৈরাওবা, কুমগী লাকয়েন তাইবগী থৌরমনি। থৌরমশিংসিগী শৈদাংফম ওইজরিবনা শুপ্নতগী শজিবু থাসি খক্তদনি। মালেমসিদা মৈতৈশিংনা লৈরিমখৈ শজিবু থা মাবুদি খক কাউবা লৈররোই। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## খঙলবসু লোইরে হায়হৈদে

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

তুরেলগী মরূদা নোং তাদনা তুরেলগী ঈশিং মৌখৎলক্কদবা নত্তে। নোং তাদ্রিবসি করিদগী করম তৌনা তারক্ত্রিবা/ মসিমা চীংদা হৌবা উ-ৱা কোকথোক্লকপনা ওইরকপনি হায়বা মীওই অয়াম্বনা খঙনরবা/য়ানরবা ৱাফম অমা ওইরবনি। মতম অমদা মকা লাম্না হৌজরম্বা উ-ৱা কয়া অমা ঙম্নমক য়াম্থৎলগা পোপি পাম্বী থানবা হোৎনরকপা পূম্নমক খঙদ্রিঙৈদদি শেন্দোং ফনা নিংথিজনা লৈরম্বা জাৎনি অদুবু হৌজিক্তি শেন্দোং লৈবদি লায়রদুনা পোপি পাম্বী থারিবা মীওইদু ফাওবা ফাদুনা...। পূম্নমক খঙনা খঙনা মশা মশাগীতা খন্দুনা... তুংদা করি ওইরকপা খন্থহৌদবদগী ঙসিদি করি ওইরবনো? ময়াই কাবা চিঙ্গাক্তা লাইচুরবা মীগী মশীংসি তাথবগী মহুত্তা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। ময়ূম মকৈ পান্দনা মশা মথন্তা... মসিনা মরী মতা, মমা-মপানা নুংঙাইতবা ফাওরবসু মহাক্লা ময়ূম মকৈ পাল্লমদনা তাইবঙপান থাদোকখিবা পামজবা মশাগীদি খ্বাইদগী অফবা ওইরবনি। নুপী অঙাং থনল্লল্লবা করিনো তৌগদবা? অখঙ অহৈশিংনা পোপি পাম্বীদগী হেন্না শেন্দোং লৈবা পাম্বী থানবা শোয়দনা লৈঙাক্লা শিল্লক্কদৌরিবনি। য়াদে হায়বা অদুদা তৌরগা থৌওই ৱাওইদনা শেন্দান লম্বীনি হায়দুনা মিহুল চেঙ্গুম চেঙ্গানা পৈশা তানবসিদি নোংমদি পুলিসকী খূৎতা তাদনীংঙাই লৈরোই। মসিমা শোয়দ্রে হায়বা লম্বীসিদা শেন্দান লম্বী তৌরিবা মীওইদুনা খন্দ্রবসু খনবগী মথৌ ওইরক্লবনি। মতম অমদা গঞ্জা থাবা পৈশা ফজনা ফংই হায়না খন্নরম্বা মদুগী মহুত্তা পোপি পাম্বীনা মহুৎ শিনখিবা য়াম্না কুইবদি নত্তে। মহুৎ শিনবীনবা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্তসু ময়াম অমা লৈরকপনা মথংগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক্লা করম্বনা ওইদৌরি? অমদি শোয়দনা লৈরমগনি। মতম অমদা চীংদা লাম্নৈ থাবা কনানসু করিসু হায়নরমদবনি। অদুবু হৌজিক্তি মদুমক য়াবা ওইদ্রবনি। মরাইবক থীরগনা অফা অপুন শোয়দনা থোক্কদৌরিবনি। লৈঙাক্লা শিল্লিবা পূম্নমক মীয়াম ঐখোয়শিংগীদমকনি। লাইরৈবাক্তা লৈরিবা লাইওইখ্রবা মীওইশিংগীদি নত্তবনি। তৌবগীবুদি হৌজিক্কী মতমসিদা পৈশাবু থুনা ফজনা পায়রগে খল্লবা অচুম্বা থবক তৌবনদি ওইররোই। খোইদ্রিং-খোইদাংগী থবক থৌরমতনা ওইরদবনি। খঙদ্রিঙৈদদি খঙদ্রিঙৈনি খঙলক্লবা মতুংদা খোইদ্রিং খোইদাং অদুমক ওইরল্লগদবনি। মখোয়শিংসিগী ৱাখলসি নুংঙাইবা নত্তে। অথেংবা অহিংদা তাউবা হুইনা খোংলকপা ফাওবদা মশা মথন্তা নিংশা থিংদুনা... মসিমা থোক্তেকা হায়বা য়াবা নত্তে।

অহোংবা নাইরকপনা ঙসিদি অশোয়বগী অশোয়বা ঙাক্তা ওইরকপসিনা মতম অমদা লৈরম্বা ক্বাক, চরোই... ঙম্নমক কদোমদনো কদায়দা লৈখ্রবনো খঙদনা মাঙশিল্লকপা খরা লৈরবদি পুংমুৎ মুৎখিবগী থাজবা লাক্কদৌরিবনি। মতম অমদা লৈকায়গী খুলগী ওইনা ঈশিং অফবা ফংলম্বা পুখ্রি কয়া ফুন্নজিনখিদুনা মফম অদুদা য়ূম শাজিল্লকপা মশীং লাকঙমদনা লৈখ্রবনি। হৌজিকপু মৈহৌ লাংপোক থোক্লবা কদাইদগী ঈশিংনা...। খল্লুবদা অমম্বা অমবু ফাওই। তুরেলদা মকা লাম্না ঈশিং লৈরিঙৈদদি কদায়নো হায়বা য়াই। তুরেলগী ঈশিংসু লৈকংলা ওইরক্লবা, মসিদা তৌগদৌরিবসিবু করিনো? মনা মশিং ফজনা থাবা, হিঙ্গোল কোইরিবা লৈতেংগী লৈশু থারিবা মখোয়গীদমক য়াম্না দরকার ওইরিবা ঈশিংসি টোটিগী ঈশিং নত্তে, পুখ্রিগী, নোংগী ঈশিংসিনি। টোটি ঈশিংদা য়াওরিবা ময়ানসি অমা অনীদা নত্তে। মসিনা মরম ওইদুনা পাম্বী অদুমা নমদনা অশোয়বা ওইরক্লবগী মরম লাক্তনীংঙাই লৈরোই। অরুবা ঈশিং ফনা ওইদুনসু মসিমা চানবা খরদি ৱাৎলবনি। মুন্না খল্লুরবদি তুরেলগী ঈশিংনা শেম্বা টোটি ঈশিংসি থক্লুবদা হঙ্গৌইনীংঙাইগী মশক ওইরবনি। অদুবু উরুদ্রবনিনা খঙলবসু খঙনা ময়াই চমখিবগী ৱানি। অমোৎ-অকাই লৈত্রবা মকা লাম্না লৈরবা চরাংতনা ঈশিংগী লৈতেং ওইরবা অমোৎ অকায়, ফিশু-ফিজাম, ঈরুশিনবা তৌশিন্দ্রবা চেকশিন্না থল্লিবা অদুগুম্বা পুখ্রিদুগী ঈশিংদুদি হৌজিক্কী মতমদা কদায় ৱাইদবু লৈরমগনি? চাওখৎলকপগী মতুংইন্না তুংগী মীরোলগীদমক থমদবা মখৈ ঙসিদি অয়াম্বনা ফুন্নজিনখিদুনা... লৈরম্বনি হায়খক্কী ৱাদা ঙাইরবনি। মীনা মশীং থিবা ঙমদনা য়াল্লকপা মরম্না লম্বী সরক্তা মকা লাম্না চেল্লম্বা ইরম নালা ফাওবা ফুন্নজিনখিদুনা লম্বীগী ময়ায়দা চেল্লবা মতমসিদবু নোং খরা কন্না তাবদা চেনফম লৈত্রদুনা মৌখৎলকপা ঈশিং ময়াম্না নমদনা লম্বী সরক থুমদৌরিবনি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা ফনা নিংথিজনা পাক্লম্বা লম্বী ঙসিদি পীকশিল্লক্তুনা অপীকপা লম্বী হায়বদু ওইদুনা লৈবা কয়া অমা য়াওরিবা পোৎনি। মতম অমদা শিৎলম্বা খোংবান ঙসিদি চুরি তাফমগী মওংদা লৈনরকপা মশীং থিদুনা লোইররোই। কুইর কুইরগা মাগী মাগী মপা মপুনা থম্বীরম্বা লমদৌনা উচি চাহোন্দা নোংমা নোংমগী খোপচিল্লকপনা ঙসিদি করি ওইরবা? পূম্নমকসি মরী লৈনবা লৈঙাক্কী মীওইশিংনা য়েংশিনবগী তশেং তশেংলবা মথৌ হায়বা অদুমা ওইরবনি। মতমনা লৈরিঙৈদা থবক ওইনা পাঙথোকহৌদ্রবা কুইশিল্লক্লবা অফবা ওইনবগী মচাক লাক্কদবা মান্দ্রবনি। চীংগী মফম কয়াদা আইননা য়াদবা মওংদা লম খোপচিন্দুনা ময়ূম মকৈ শারম্বা অয়াম্বা... ঙসিদি য়াওবু য়াওরমগদবা মান্দ্রবনি। ইম্ফাল মনুংগী মফম খরদা লম খোপচিল্লিবা হায়বদি মতম অমদনা লৈরমদবা জগা ঙসিদি ইন্থোরক্তুনা মখোয় মখোয়গী মরমদৌনা...। মসি পূম্নমকসি মমিং পন্দ্রবসু মীপূম খুদিংনা চিন থোক্লন্দবগী ৱানি। খঙনরবা ৱাফম অমা ওইরবনি। মশাগী লমসু নত্তবদা ইন্থোক্তুনা মশাগী লমদৌনা ময়ূম মকৈ শাজিল্লকপা মসিনা ফনা নিংথিজনা য়াওদে লৈতেদা হায়রুবদা অরানবা তারদবনি। চীংদা তৌরিবা অসিগুম্না তমদসু মপূং ফানা হোৎনবদা খরমখৈদি পীকশিল্লম্বা লম চাওথোক্তনিঙাই লৈরোই। তুরেলগী তোর্বান্দা ফাওবা মশাগী লমদৌনা... হোৎনরকপা মসি পূম্মক খূৎথিবা নংদবদগী ওইরকপনি। খূৎথিববু নংলবা মতুং মনাও তৌররোইদবনি। চৈনম নমদুনা লৈরবা মীওই কয়া অমা থৌনা লৈনা মখৌ পোংনা... মসিগুম্বা মীওইশিংসিদি কৈদৌনুংদা অফবা থবক তৌরক্কনি হায়বদুমদি থাজবা ৱাৎলবনি। ইপা ইপুশিংনা লৌ উনরম্বা মতমদু ইকং থোকই হায়না হায়নবা ইয়াও য়াওনদবগুম্বা হায়বদুমা ওইনরম্বনি। হৌজিক্কী মীরোলসিনা লৌ উবদি লৌবুক্তা লৈত্রক চৎলে... মসিনা অয়াম্বা হায়বদু ওইরবনি। অশানবা লৌফমগী লৌশান তমদবদা লৌপুদুনা খল্লমগদবা ৱাখল ফনা খক খল্লম্লরোই। মতমসিগী হৱা নুংশিৎসিদা লৌদগী ফৌবোৎ অদুক কারক্কনি হায়দুনা হিসাব তৌরুবা য়াবা নত্তে। হিসাব নমদনা শোয়দৌরিবনি। য়ুরিয়া, পোটাশ, দাইমন্দ... চাইহৌদবা লৌবুক অদুমা ফৌ থোক্কনি থাজবা ৱাৎলগনি। মসিগী মতৌগুম্না ময়াই কাবা চিঙ্গাক্তা লাইচুরবা মীওইদুনা মাগী দরকার ওইরিবা ময়াই কাবা চিঙ্গাক অদু ফংদবদা লৌবুকসু মতম অমদদি ষষ্ঠি ষণয়ুং মখল কয়াগী মশানা শেমজবা হার হাপ্তুনা শীজিন্নরম্বা পূম্নমক মহুৎ শিনবীনবা হার কয়া অমা থোরক্তুনা লৌবুক্কী হৈনবী হায়বা অদুমা ওইহল্লবনি। হার ওইগেরা লৈহাও লৈবা লৌবুক্কী মফম ওইগেরা ঈশিং মানবু লৈত্রবদা করি অমত্তা কান্নগদবা নত্তে। ঈশিং ফংনবগীদমক নোং তাহনবগী তঙাইফদবা ওইরিবনি। নোং তারক্লবগী অচৌবা মরম অমা লৈরকপসিনা চহী খরগী মতুংদদি অনৌবা উ পাম্বী কয়া অমা থারিবসিনা চাওখৎলক্লবা শোয়দনা... ফত্তবদি কৈদৌনুংদা ওইররোই। হান্নগুম্না শোয়দনমক তুরেলগী ঈশিং কংলরোইদবনি। নোংনা ঈশিং ওল্লকই। ঈশিং মানা লৈরক্ত্রবদা লৌবুক খঙদে, মী খঙদে, জীব পানবা পূম্নমক অৱাবা অদুমক মায়োক্লরগদবনি।

অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা, খুরাই লাই ৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল